# পাকিস্থানগী ইলেক্সন কম্মিসন্না হান্নগী পিএম ইমরান খান দিসক্কালিফাই তৌদুনা চহী ৫ পব্লিক ওফিস পায়বা থিংখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা অচৌবা চৈথেং পীবা খোঙথাং অমদা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী টোপ ইলেক্সন বোদিনা মহাকপু টোসাখানা কেসকা মরী লৈননা দিসক্কালিফাই তৌদুনা চহী মঙা পব্লিক ওফিস পায়বা থিংখ্রে।



কেস অসিদা মপানগী লিদরশিংনা পীরকপা গিফশিংদগী ফঙবা শেনফমশিং লোৎশিল্লি হায়না মহাকপু মরাল শীরিবনি। চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সিকন্দর সুল্টান রাজানা লুচিংবা মেম্বর মরিগী বেঞ্চ অমনা য়ান্নবা পুরক্লগা পীখিবা রুল্লিং অদুগী মতুং ইন্না পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গী চিয়ারমেন অসি চহী মঙা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইবা য়াররোই।

ৰারেপ অদু মেম্বর মঙাগী বেঞ্চ অদুনা মত অমত্তা ওইনা লৌখিবনি। অদুম ওইনমক পঞ্জাবকী মেম্বরদি রুল্লিং অদু লাউথোকপদা য়াওখিদে হায়রি। ইমরান খাননা গিফশিং য়োনবদগী ফঙবা প্রোসিটশিং হায়দোক্তবগীদমক মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌবীয়ু হায়না হৌখিবা ওগষ্টতা রুল্লিং কোল্লিসন গভর্ণমেন্টগী লো মেক্করশিংনা মশাগী চহী ৭০ শুরবা খানগী মায়োক্তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিস্থান (ইসিপি) দা কেস অমা ফাইল তৌখিবনি।

গিফশিং অদু মহাক্না টোসাখানা হায়নসু খঙনবা ষ্টেট রিপোজিটরিদগী অতাবা মমলদা লৈখিবনি হায়রি। কেস অদুগী হিয়ারিং লোইরবা মতুংদা ইসিপিনা মদুগী জজমেন্ট সেপ্টেম্বর ১৯ দা রিজার্ব তৌখিবনি। ইসিপিগী বেঞ্চ অদুনা ইরাই নুমিত্তা মত অমত্তা ওইনা খানবু শেঞ্জা থুমজগী প্রেক্তিসশিংদা চেন্নে হায়না রুল্লিং পীখি অমসুং মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইবদা অথিংবা থমখি।

করপ প্রেক্তিসেস লোশিংগী মখাদা মহাক্কী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু বেঞ্চ অদুনা লাউথোকখি। খানগী পার্টিগী সেক্রেটরি জেনরেল অসাদ উমারনা ৰারেপ অদু ইস্লামাবাদ হায় কোর্টকা চেলেঞ্জ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পিটিআইগী অতোপ্পা লিদর ফৰাদ চৌধরিনা ভর্দিক্ট অদুবু রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা খানগী খোঙলোইশিংদা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্নবা আপিল তৌখ্রে। রুল্লিং অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা খানগী পার্টিনা য়াম্না মরু ওইরিবা মরক্কী মীখলশিংদা নেসনেল এসেমব্লিগী সিট নিপানগী মনুংদা তরুক অমসুং প্রোভিন্সিএল এসেমব্লি সিট অহুমগী মনুংদা অনী ফঙদুনা চাওনা মায় পাকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা পীখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মরু ওইরবা মরক্কী মীখল অদুদা নেসনেল এসেমব্লি সিট ৭ তা কন্টেষ্ট তৌখিবা খান কন্সটিট্যুয়েন্সি তরুক্তা মায় পাকখি। কুমজা ২০১৮ দা মীখলদা মায় পাক্নুনা লৈঙাক্কী পৰার পায়রকখিবা খান মহাক্কী ওফিসল খোঙচৎশিংগী মনুংদা ইনাক খুল্লবা আরব লুচিংবশিংনা মমল য়াম্লবা গিফশিং পীখি। গিফশিং অদু টোসাখানাদা থমখিবনি। মতুং তাবদা মহাক্না গিফশিং অদুবু মরী লৈনবা লোশিংগী মখাদা অতাবা মমলদা লৈখি অমসুং মখোয়বু অমুক শেন্দোং চাওনা লৌরগা য়োনখি।

হান্নগী পিএম অসিনা হিয়ারিং মনুংদা হায়খি, মদুদি মহাক্না লুপা মিলিয়ন ২১.৫৬ পীরগা ষ্টেট ট্রেজ রিদগী লৈখিবা গিফশিং অদু য়োনবদা লুপা মিলিয়ন ৫৮ শিংখি। গিফশিং অদুদা মমল য়াম্লবা গ্রাফটকী খুদাং ঘড়ী অমা, কপলিঙ্ক জুরা অমা মমল য়াম্লবা কোলোম অমা, রিং অমা অমসুং রোলেক্স ঘড়ী মরি যাওরি।

# ‘ব্লেক সীগী মথক্তা রসিয়াগী এয়র ক্রাফটনা বৃটিস পেত্রোলগা নক্লনা মিসাইল ১ কাপখি’

লন্দন, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯ দা ব্লেক সীগী মথক ইন্টরনেসনেল এয়র স্পেসতা পেত্রোলিং তৌরিবা বৃটিস প্লেন অমগী মনাক্তা রসিয়াগী এয়র ক্রাফট অমনা মিসাইল রিলিজ তৌখি হায়না য়ুকেগী দিফেন্স সেক্রটরি বেঞ্জ ৱেলেসনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱেলেসনা পার্লিয়ামেন্টদা হায়খি, মদুদি থৌদোক অদুগী মতুংদা বৃটেননা পেত্রোলিংগী থবকশিং লেপ্পগা লোয়ননা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুদা নুংনাঙবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি খুৎলায় য়াওদবা আর এ এফকী আরসি-১৩৫ রিবেট জোইন্ট প্লেন অমা রসিয়াগী এসয়ু-২৭ অনীনা ইন্টরসেপ তৌনবা হোৎনখি। রসিয়ন এয়রক্রাফট অনী অদুগী মনুংদা অমনা আর এ এফকী রিবেট জোইন্ট অদুগা নক্লনা মিসাইল অমা রিলিজ তৌখি।

রসিয়াগী মায়কৈদগী মদু টেক্নি কেলগী ওইবা অশোয়বা অমনি হায়রকখি। রসিয়ানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা বৃটেননা পেত্রোলিং অমুক হৌরে হায়না ৱেলেসনা ফোঙদোকখি।

ৱেলেসকী মতুং ইন্না পেত্রোলশিং অদু হৌজিক্তি ফাইটর এয়র ক্রাফটশিংনা ঙাক শেল্লগা চথরে। বৃটিস দিফেন্স সেক্রেটরিনা ৱাশিংতনদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবগা ৱারী শান্নরুরগা হল্লকপদা হাউস ওফ কম্মন্সতা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ষ্টেটমেন্ট অমা পীখি।

থিঙ্ক টেঙ্ক অমা পল্লদুনা রিপোর্ট খরনা হায়রি, মদুদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মরু ওইবা দাম অমা থুগায়দুনা খের্সোন অপুন্বা ঈশিং থুমহন্দুনা রসিয়ন টুপশিংনা সিটি অদুদগী হনবদা কোভর পীননবা থৌরাং তৌরি। য়ুক্রেনগী কেম্পেইনদা রসিয়াগী অনৌবা সুপ্রিম কম্মান্দর ওইরিবা জেনরেল সর্গি সোরোবিকিন্না হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রসিয়ন মেদিয়াদা ৱা ঙাঙখিবদা নোবা কাখোপকাদাম হায়না খঙনবা খের্সোনগী মরু ওইবা দাম অদুদা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা ষ্ট্রাইক অমা চথনবা কিভকী টুপশিংনা থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

লমদম অদুদগী রসিয়নশিং লৌথোক্লবা শেম শারক্লিবা সোরোবিকিন্না হায়, ব্লাষ্ট অদুনা খের্সোনপু ঈশিং থুমহনবগা লোয়ননা পাক শন্না অমাঙ অতা থোকহনগনি। মদু লমদম অদুদগী হন্দোকপদা য়ুক্রেনিয়ন টুপশিংগী পুক্নিং চোইথোকহন্নবা রসিয়নশিংনা চথরক্কদৌরিবা থৌরাং অমনি হায়না দেলি মেলগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াদগী হৌখিবা কানাদাগী সিখ নুপা অমা মচাশিং হাৎপগী মরাল শীখ্রে

টোরোন্টো, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদগী হৌখিবা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা কনাদিয়ন সিখ অমা ফার্ষ্ট-দিগ্রি মার্দর অনী পাঙথোকখিবগী মরাল শীখ্রে।



মেদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মোন্ট্রিএলদা লৈবা মখোয়গী য়ুমদা মহাক্কী মচা অনী হাৎখিবা মতুংদা মহাকপু মরাল অসি শিখিবনি। কমলজিৎ অরোরা কৌবা সিখ নুপা অদু হৌখিবা ওক্তোবর ১৭ তা মশাগী চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবা মচানুপা অমসুং চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবী মচানুপীবু হাৎখি হায়না মরাল শীখি। মহাক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফার্ষ্ট-দিগ্রি মার্দর অনী পাঙথোকখিবগী মরাল শীখি হায়না সি টি বি ন্যুজকী রিপোর্টতা পনখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি মোন্ট্রিএলগী অৰাংদা লৈবা লবালস ষ্টে-দোরোটি সেক্তরদা লৈবা মখোয়গী য়ুমদা থোকখিবনি হায়বা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী কেস অদুদা অরোরাবু মহাক্কী লোইনবী রমালানি অরোরাবু মখৌরি চরম মেৎতুনা অৰাবা পীবগী মরালসু শীখি। য়ুমথংনরিবা এনি চার্পেন্টিয়রগী মতুং ইন্না অঙাং অনীদুগী মনুংদা মচে ওইরিবী নুপীমচা অদুনা ইহান হানবা ওইনা কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ওথোরিটিশিংদা পাউ পীখি।

চার্পেন্টিরনা থবক মফমদগী ময়ুমদা হল্লকখিবা মতুংদা নুপীমচা অদুনা মহাক্কী থোঙ্গালদা লাকখি অমসুং ৯১১ দা কোল তৌনবা হায়রকখি। চহী নৌরিবী নুপীমচা অদুনা লাক্নুনা মহাক ফোন তৌবা পাম্মী হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রকখি।

পুলিস টিম অমা য়ুম অদুদা থুংলখি অমসুং মখোয়না চহী ১১ গী লেঙ্গা ওইবা নুপামচা অমগা চহী ১৩ গী নুপীমচা অমগা অরুবা ফিভমদা লৈরম্বা থেংনখি। অঙাংশিং অদুবু মখোয়না হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। তৌইগুন্সুং মখোয় শিরে হায়না লাউথোরকখি। মখোয়গী মপা অদুসু পুলিস কষ্টদিদা লৈনা লৈনা অরুবা ফিভমদা হোস্পিটালদা পুখৎখি।

মহাক্কী ফিভম নুংশা থীনিংঙাই ওইদে হায়না ডাক্তরশিংনা ফোঙদোরকখি।

# য়ুএনজিএগী প্রসিদেন্টনা রিফোর্ম নিগোসিএসনগী লিদরশিং খনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): ইন্টর গভর্মেন্টেল নিগোসিএসন (আইজিএন) গী কো-চিয়রশিং ওইনা পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ওইরিবা কুৱেটকী টারেক এমএএম অলবানাই অমসুং স্লোবাকিয়াগী মিচাল মিনরবু খল্লে হায়না য়ুএনজিএগী প্রসিদেন্ট কসাবা কোরোসিগী স্পোক্স পার্সন ওলিনা কুবিয়াক্না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা থাদা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিগী ফম পায়বা হৌখিবদা কোরোসিনা রিফোর্ম প্রোসেস খোঙজেল য়াঙহন্নবা মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না ৱাশকখিবনি। নিগোসিএটিং টেক্স অমবু অপুনবগী ওইনা অয়াবা পীনবা হোৎনবদা অথিংবা পীদুনা লৈবাক খরনা হৌজিক ফাওবদা রিফোর্ম প্রোসেস অদুবু থিংলকখিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা আই জি এননা মতিক চাবা এজেন্দা নত্তগা নিগোসিএসনগী রেকোর্দ অমত্তা য়াওদনা থবক তৌরি হায়না লৌনরি।

কোরোসিনা হায়রি, মদুদি নিগোসিএটিং টেক্স অমা পুথোকপা হায়বসি মতম শাংনা মথৌ তারক্লবনি। আই জি এনগী অনৌবা হেদশিংদা মশক থোকপা টেক্স অমা পুথোক্লবা হায়জরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্না কো-চিয়রশিংদা মশক থোকপা টেক্স অমদি প্রপোজেলশিংগা লোয়ননা নিগোসিএসন হৌনবা তকশিল্লগনি। চাইনা খক নত্তনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর মঙাগী মনুংদা মরিনা ইন্দিয়া য়াওহনবা য়ানবা মওংদা পার্মেনেন্ট মেম্বরশিপ চাওথোকহন্নবা রিফোর্মগী থৌরাং অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি।

# কোভিদ পেন্দামিক লোইদ্রি: দব্লিয়ু ঐচ ও

মনিলা, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): কোভিদ ১৯ পেন্দামিক হৌজিক হৌজিকসু লোইদ্রি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী ওফিসল অমনা হায়রি, মদুদি সব-ভেরিয়েন্টশিং লেপ্তুনা থোরকপা অসিনা লায়না লাইচৎ অসি নৌহৌননা অমুক কনশিল্লক্নুনা হেল্‌ঠ সিষ্টেমশিং লাকহৎপা য়াবগী খুদোংথীবা ফিভম অমা লৈরি।

মনিলাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দব্লিয়ু ঐচ ও ৱেষ্টর্ন পেসিফিক্কী হেল্‌ঠ সেক্যুরিটি এন্দ ইমর্জেন্সিসকী দিরেক্তর বাবুতুন্দে ওলারুকুরেনা হায়খি, মদুদি সিঙ্গাপোর অমসুং ন্যু জিলেন্দদা হৌজিক অনৌবা কেসশিং হেনগৎলক্লে।

ফিলিপিন্স, সাউথ কোরিয়া, জপান, মোঙ্গোলিয়া অমসুং ভিএটনামদদি হৌখিবা ওগষ্টতগী লায়না অসিগী কেস, হোস্পিটলাইজেসন অমসুং মীশিশিং হন্থরকপা উরি।

ওলোরুকুরেনা মখা তানা হায়, ওমিক্রোনগী এক্স বিবি সব ভেরিয়েন্ট শন্দোরকপা অসিনা সিঙ্গাপোরদা লায়না অসিগী কেস ইনৌ নৌনা অমুক হেনগৎহল্লে। বিএ.৫ ভেরিয়েন্ট অসিনা ন্যু জিলেন্দদা দোমিনেন্ট ভেরিয়েন্ট ওইদুনা লৈরি। মহাক্কী মতুং ইন্না সিঙ্গাপোরগী ওথোরিটিশিংনা হোস্পিটালশিং অমসুং রেসিদেন্সিএল ক্যের হোমশিংদা লাকপা ভিজিটর মশিংদা লিমিট থম্বগুম্বা পব্লিক হেল্‌ঠ সেফতিগী থৌরাং কয়া নৌনা চৎনহনখ্রে।



দব্লিয়ু ঐচ ওগী দেটানা উৎলিবদি কুমজা ২০২০ দা য়াম্না লৌনগল্লবা অমদি খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা লায়না অসি শন্দোকপা হৌখিবদগী ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনদা লায়না অসিগা মরী লৈননা মীওই ২৭০,০০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা পুন্না লায়না অসিগী কেস মিলিয়ন ৯২ হেন্না কনফার্ম তৌখি।

ওলোরুকুরেনা হায়, লৈবাক কয়াদা কোভিদ ১৯ কেস শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপা উরিবসি মরু ওইনা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং ৱাংবদগীনি। তৌইগুম্বসুং লমদম লমদমশিংদা অমদি মালেম পুম্বগী ওইনা লায়না অসিগী কেস হন্থরক্লে হায়না লৌবা য়ারবসু মীয়াম্না হৌজিকসু মখা তানা চেকশিনগদবনি। ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনদা কোরোনা ভাইরস মখা তানা শন্দোক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# য়ুএস সিনেটনা য়ানিংদবা লৈতে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): পাকিস্থানগা চথনরিবা দোল্লর মিলিয়ন ৪৫০ গী এফ ১৬ গী দিলদা অমেরিকন সিনেটনা য়ানিংদবা লৈতবগা লোয়ননা য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি, মদুদি পাকিস্থানগী এফ-১৬ গী প্রোগ্রাম অদু ৱাশিংতন অমসুং ইস্লামাবাদকী বাই লেটরেল মরী চাওথোরকপগী মরু ওইরবা শরুক অমনি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ওফিসল অমনা দোন ন্যুজতা হায়খি, মদুদি য়ুএসনা পাকিস্থানদা য়োন্নবা প্রপোজ তৌরিবা অদুনা পাকিস্থানগী এফ-১৬ ফ্লিট মেন্টেইন তৌবা ঙমহন্দুনা হৌজিক অমসুং তুংদা কাউন্টর টেররিজম থ্রেটশিং থেংননবা লৈবাক অসিগী কেপেবিলিটি মখা তানা কায়হন্দনা লৈহনগনি। পেকেজ অদুনা পাকিস্থানবু হৌজিক চথরিবা কাউন্টর টেররিজমগী থবকশিংদা য়ুএস অমসুং পার্টনর ফোর্সশিংগা মখা তানা ইন্টর ওপরেবিলিটি কায়হন্দনা লৈহনবসু ঙমহনগনি।

মেদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না নুমিৎ ৩০ নিগী মতম পীবদা সিনেটকী মায়কৈদগী দিল অদুদা ওবজেক্সন পীরক্তবগা লোয়ননা য়ুএসনা পাকিস্থানদা দোল্লর মিলিয়ন ৪৫০ গী এফ-১৬ সষ্টেনমেন্ট পেকেজ পীননবা লেপ্লে হায়রি।

# ইয়ুগী ক্লেম য়াখিদ্রে

টেহরান, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী মায়োক্তা শীজিন্নবা ইরাননা রসিয়াদা মিসাইলশিং অমসুং দ্রোনশিং থাখি হায়বা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী ক্লেম ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ইয়ুগী হাই রিপ্রজেন্টেটিব ফোর ফোরেন এফিয়র্স এন্দ সেক্যুরিটি পোলিসি জোসেপ বোরেলগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা হোসেন অমির-অব্দুল লাহিয়ন্না হায়খি, মদুদি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অমদি মসিবু হেন্না চাওথোকহনববু ওপোজ তৌবা ইরানগী পোলিসি লৈজে।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, ইরানগা রসিয়াগা ঙাকশেলগী লমদা কো ওপরেসন পীনরবসু য়ুক্রেনগী মায়োক্তা দ্রোনশিং অমসুং অতে খুৎলায়শিং থাবা হায়বসি ইরানগী পোলিসি নত্তে। অদুনা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা শীজিন্ননবা রসিয়াদা ইরাননা মিসাইলশিং থাই হায়রিবসি য়ুস্ফম য়াওদে।

# মথং চয়োলদা ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং রেবেলশিংগী মরক্তা পিছ টোল্ক চথরগনি

অদিস অবাবা, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): অফ্রিকান য়ুনিয়নগী লীচিং মখাদা ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং রেবেল টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টিপিএলএফ) কী মরক্তা মথং চয়োলদগী ওফিসল ওইনা পিছ টোল্ক হৌরগনি হায়না ইথিওপিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি অহমদকী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর ওইরিবা রেদৱান হুসেননা হায়খি, মদুদি পিছ টোল্ক অদু কুমজা ২০২২ গী ওক্তোবর ২৪ দা সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোক্লগনি হায়না অফ্রিকান য়ুনিয়ন কম্মিসন (এএয়ুসি) না ঐখোয়দা খঙহল্লক্লে।

ঐখোয়গী মায়কৈদগীসু মরা তপ্পা ফিভম লিংনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না নৌহৌননা থাজবা পীরি। মখা তারদুনা হুসেননা পার্টি কয়াবু ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টনা লমদম অদুগী অৰাং থংবা টিগ্রে রিজেনদা পায়খৎলিবা ঙাকশেল থৌরাংশিংগী মায়োক্তা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লবা হোৎনবা অমদি পিছ টোল্ক অদুবু মায় পাকহন্দনবা হোৎনবগী মরাল শীখি। অফ্রিকন য়ুনিয়নগী লিচিং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা পিছ টোল্ক অদু হান্না ওক্তোবর ৮ দা লেপ্লম্বনি। তৌইগুম্বসুং লোজিষ্টিকেল অমসুং টেক্নিকেলগী ওইবা মরমশিংগা মরী লৈননা য়ৈথোকখিবনি।

প্রপোজ তৌরিবা পিছ টোল্ক অদুগী তারিখ অফ্রিকন য়ুনিয়ন্না হৌজিক ফাওবা ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌদ্রি। টিপিএলএফনসু হুসেনগী ষ্টেটমেন্ট অদুগী ওফিসল পাউখুম পীবা লৈত্রি। অফ্রিকাগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ইথিওপিয়াদা কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদগী গভর্ণমেন্টগী টুপশিং অমসুং টিপিএলএফপু শৌগৎপা ফোর্সশিংগী মরক্তা কন্না লান শোক্লরকখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন কয়া হৌজিক হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং মথৌ তাদুনা লৈরগনি।

হৌখিবা মার্চকী অথেংবা শরুক্তা ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং রেবেল ফোর্সশিংগী মরক্তা কন্দিসন খরদা খুৎ থোক্লবা লেপ্পা অমসুং লমদম অদুদা অয়েৎ অপন লৈহন্দনা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং য়ৌহনবগী ৱাফম য়ানখিবা মতুংদা টিগ্রে রিজনদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং লাকখি।

ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং টিপিএল এফকী মরক্তা অমনা অমবু লান অমুক হৌরকপগী মরাল শীনখিবগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট অদু হৌখিবা ওগষ্টতা অমুক মখা চথনরকখি। নাকল অনীগী লান অমুক হৌখিবা অদুনা টিগ্রে রিজনদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং থাজিনবা অমুক লেপখিবনি।

# স্পেন, ফ্রান্স অমসুং পোর্টুগলনা গ্যাস পাইপলাইন লিঙ্ককী মতাংদা য়ান্নরে: পেদ্রো সান্সেস

মাদ্রিদ, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): আইবেরিয়াগা ফ্রান্স অমসুং য়ুরোপকী অতে মফমশিংগা শম্ন হনগদবা গ্যাস পাইপলাইন অমা শেমগৎননবা লেপ্লরে হায়না স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সান্সেসনা ফোঙদোকখ্রে।



সান্সেসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, স্পেন, ফ্রান্স, পোর্টুগলনা প্রোজেক্ট অদুদা কো ওপরেসন পীনবগী ৱাফম য়ানরে। ইনর্জি ক্রাইসিসকী মতাংদা পাঙথোকপা ইয়ুগী সম্মিট অমদা শরুক য়ারুরবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা স্পেনদা হল্লকপদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সান্সেসনা হায়খি, মদুদি পাইপলাইন অদুনা স্পেন অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা লিঙ্ক অনীগী ভোল্যুম চাওনা হেনগৎহল্লগনি।

মদুনা য়ুরোপনা রিন্যুএবলশিংগা মরী লৈননা কেপাসিটি হেনগৎহনবদা মথৌ তারিবা ট্রান্জিসন মনুংদা গ্রিন হাইদ্রোজেন অমসুং গ্যাস পুথোক পুশিনগী থবক্তসু মতেং পাঙলগনি। গ্রিন ইনর্জি কোরিদোর অদুনা বার্সেলোনাবু সাউর্দন ফ্রান্সকী মার্সিলিষ্টকা শম্নহল্লগনি। মদু অচংমল অমসুং রিগুলেসনশিংনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৯ দা থাদোকখ্রবা মিদকেট স্কিমগী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

য়ুক্রেনগী লান অমসুং রসিয়ানা গ্যাস পীবগী মতাংদা করি করি থোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা কয়া লৈরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্কী ইনর্জি ক্রাইসিস অসি থোক্লিবনি। য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকা লোয়ননা রসিয়ানা গ্যাস পীবগী মতাংদা করি থোক্লক্কদগে হায়বগী চিংনবা লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা পোর্টুগল অমসুং স্পেন ফাওরগা গ্যাস পুনবগী থৌরাংশিং অমুক হিংগৎহনখি।

স্পেননা থা কয়া চুপ্পা প্রোজেক্ট অদু খুমাঙ চাওশিলহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাকখি। প্রোজেক্ট অদু জমর্নিনসু শৌগৎলিবনি। মসিদা নত্তনা স্পেননা অলজেরিয়ন পাইপলাইনগী মতেংগা লোয়ননা অমসুং এলএনজি টর্মিনেল তরুক শীজিন্নদুনা লিক্যুফাইদ নেচরেল গ্যাস কনর্ভট তৌগনি।

# সাইপ্রসতা লাক্নুনা চঙজফম থীবা মী মশিং মমাঙগী চহীদগী শরুক ২ হেনগৎলে

নিকোসিয়া, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): সাইপ্রসতা লাক্নুনা চঙজফম থীরিবা মীওইশিংগী মশিং চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবসি মমাঙগী চহী কুমজা ২০২১ গী মান্নবা মতমদা লৈবা মশিং অদুগা চাংদম্নবদা শরুক অনী হেনগৎলে হায়বসি ওফিসল ফিগরনা উৎলি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়রগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা অসিগুম্বা মীওইশিংগী মশিং চহী অসিদা ১৭,০০০ য়ৌখি। মিনিষ্ট্রি অদুগী পার্মেনেন্ট সেক্রেটরি কোষ্টাস কোষ্টাটিনোনা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, সাইপ্রসতা চহী অসিদা অহল লমনশিং য়াওদবা অঙাংশিং থুংবগী চাংসু মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা শরুক অহুম হেনগৎখি।

সাইপ্রস অসি ফ্রন্ট লাইন মেদিটরিনিয়ন য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী লৈবাকশিংগী মনুংদা মখোয়গী মীশিংশিংগা য়েংনবদা ইরেগুলর ইমিগ্রেন্ট মশিং খ্বাইদগী হেন্না লাকপশিংগী মনুংদা অমনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফ্রন্ট লাইন লৈবাকশিং অসিগী ওইবা সাইপ্রসতা পাঙথোকখিবা মিনিষ্ট্রিএল কনফরেন্স অমদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর নিকোস নৌরিসনা হায়খি, মদুদি মপানদগী লৈবাক অসিদা চঙজফম লৌবা লাক্লিবা মীওইশিংগী মশিং অসি লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা মরি হেল্লি।

# য়ুএননা সোমালি মিলিয়ন ৭.৬ তা মতেং পাঙনবা দোল্লর বিলিয়ন ১ খোমগৎপা পাম্লি

মোগাদিসু, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): সোমালিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৭.৬ কী থৱায় কন্ননবগীদমক্তা মখোয়গী য়াম্না তঙাই ফদবশিং ফঙহন্নবা মতেং পাঙনবা হোৎনবদা হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংনা ফন্দিং ওইনা অহেনবা দোল্লর বিলিয়ন অমা মথৌ তারি হায়না য়ুএন রিলিফ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলগী সোমালিয়াগা মরী লৈনবা দিপ্যুটি স্পিসল রিপ্রজেন্টেটিব অমসুং য়ুএন রেসিদেন্ট এন্দ হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর অদাম অবদেল মৌলানা হায়খি, মদুদি খ্বাইদগী হেন্না ফিভম শোক্লবশিং অমদি য়ৌবদা ৱারবা মফমশিংদা লৈরিবশিংগী তঙাই ফদবশিং য়েংশিন্নবগীদমক্তা ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবা নেসনেল এনজিওশিংদা অহেনবা ফন্দিং পীবা মথৌ তাই।

হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং মখা তানা পীবগা লোয়ননা হেনগৎত্রবদি সোমালি মিলিয়ন কয়া য়াম্না লুবা ফিভমদা লৈরগনি হায়না অবদেল মৌলানা ৱার্নিং তৌখ্রে। সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুদা থোকখিবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংনা খ্বাইদগী খুদোংচাদ্রবা মীওইশিং মীৎয়েং থমদুনা মতেং খ্বাইদগী মথৌ তারিবা মফমশিংদা টার্গেট তৌনবগী মওংদা রেস্পোন্স পীনবা খন্নরে। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না হৌজিক অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসিগীদমক্তা ঐখোয় অহেনবা শেনফমশিং পাম্মী।

য়ুএননা হায়রি, মদুদি কুমজা ২০২২ গী হ্যুমেনিটরিয়ন রেস্পোন্স প্লান্ট (ঐচ আর পি) গীদমক্তা ফন্দিং হেনগৎহনবা মথৌ তারক্লিবসি অৰাবা মায়োক্লবা মী মশিং হেনগৎলকপা অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন এক্সন কনখৎতবা য়াদবগী ফিভম লৈরকপদগীনি। দিপ্যুটি পিএম সালা অহমদ জমাগী মতুং ইন্না সোমালিয়ানা হৌজিক চহী ৪০ গী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ঈকংগী মায়োক্লরি।

# ‘ঈচাওনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জিদিপি গ্রোঠ ফোরকাষ্টতা অকায়বা পীরগনি’

কানবেরা, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রেজরর জিন জালমর্সনা ইরাই নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি হৌজিক লৈবাক অদুগী খা নোংপোক থংবা লমদমদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অদুনা লৈবাক অদুগী প্রোজেক্ট তৌরিবা ইকনোমিক গ্রোঠতা অকায়বা পীরগনি।

ওক্তোবর ২৫ দা মহাক্কী অহানবা ফেদরেল বজেট পুথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা চালমর্সনা হায়খি, মদুদি হৌজিক টাসমেনিয়া, ন্যু সাউথ ৱেলস, ভিক্তোরিয়াদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওশিংনা কুমজা ২০২২ গী অরোইবা ক্বার্টরদা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জিদিপি) গী গ্রোঠ চাদা ০.২৫ হন্থহল্লগনি। চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবা মখা তানা নোং কন্না চুখিগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাওনা য়ুম অমদি বিজিনেস লিশিং কয়া শোকহল্লে। ট্রেজরিগী ফোরকাষ্ট মতুং ইন্না ঈশিং ঈচাও অদুনা মথংগী থা তরক্কী মনুংদা হৈ-রা অমসুং মনা মশিংগী মমল চাদা ৮ হেনগৎহল্লগনি। অদুম ওইনমক ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৭.৭৫ ফাওবা য়ৌরবা য়াই হায়না পারি।

চালমর্সনা হায়, হৌজিক ইনফ্লেসনদা মতেং পাঙলিবশিং অদু মরু ওইনা নেসনেল দিজাষ্টরশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল হেনগৎলকপা অসিনা ওইরগনি। লৈঙাক পায়রিবা লেবর গভর্ণমেন্টনা হায়, হৌখিবা মেগী ইলেক্সনদা মায় পাকখিবদগী অহানবা ওইনা পুথোরক্কদৌরিবা বজেট অদু হিংবদা তঙাই ফদনা চঙলিবা পোৎচঙশিংগী মমল হেনগৎলক্লিবদু য়েংশিনবদা মীৎয়েং থমগনি। মদুদা ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগীদমক্তা মমাঙদা ইমজেন্সি পেমেন্টশিং ওইনা লাউথোকখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর ১.৫ (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৮৭৭) য়াওগনি।